# “তংদু লৈতাবা পূন্সি মরেল”

**ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি**

**উশম ধরমেন্দ্র**

১৮-শুবা লোক সভাগী শরুক অমা ওইনা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীখল পাঙথোকখ্রে। তোপ তোপ্পা মমাঙদা অমুক্তা উখিদ্রিবা গন কলচরগী মশক অমা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা উনখি। ঐখোয়গী মীরেপ কাদবা য়াদে হায়বগী মওংনি মখোয়না উৎখিবা থৌওংশিং অদু। মশা মশানা পামজবা মতিক চাবা লুচিংবনি হায়না খনবা মীওইশিংদা ভোট থাদগে থোকচরকপা মীওইশিংগী সিটিজন অমা ওইবগী হক অদু মৎনবা নম্ফু সাসন মীওই খরনা মখূৎতা খূৎলায় পায়দুনা চত্থরকখিবনি। বিহারদা, মণিপুরগী চীংগী লমশিংদা তৌনবা মওংদুমক্নি মখোয়না তৌথোরকইবদু। মদু তৌবা য়ারোই হায়দুনা মীচম মীয়াম্না হৌরকপদগী ঈরাং থোকখিবনি। মমৈথংদা ইলেক্সন হনবা য়াওনখিবনি। লমদমসিদা লৈরিবা মীওই খরগী মেন্টালিটি অসি অঙকপনি। মহী মচুম খরা চাবা ফংনবা অসি তৌ, অসি তৌ হায়বদা হূইগুম্না থৌজিন্দুনা য়াথং তৌবদা চৎপা মীওই মশীং হেনগৎলক্লিবসিনি। মসি য়াম্না ফত্তবা থৌওং অমনি। চীংগী ইলেক্সনবু ‘সিলেক্সন’ নি হায়নরি তম্পাক্কীদি মদুসু নত্তে। করিনি হায়নি পুরা পুরি ‘গুন্দা রাজ’ কী মওংনি লাক্লিবসি।

মণিপুরদা আইন্না য়াদবা মওংদা মীওই কয়া নোংমৈ পায়দুনা লৈরি হায়বসি পূন্নমক্না ইফোং ফোংনা খঙনরবা ৱাফম্নি। আইন্না য়াদনা পায়রবসু লৈবাক্কী অফবা থবক্তা হায়বদি হৌজিক লোইদ্রিবা নার্কো কুকি জৌ মিলিটেন্টশিংনা মীতৈ খুলশিংদা লান্দারক্লিবা অসিদা ঙাকথোক্ন বগী থবক্তুদা শীজিন্নরবদি লৈবাকসি কনবদা অচৌবা থৌদাং য়ারিবনি। মদু নত্তুনা মীচম মীয়ামদা কিহন খংহন্দুনা লন-থুম মুনবা অমদি মীখলদা মীচম মীয়ামগী পূন্সিদা শীংনবরোমদা শীজিন্নরবদি লৈবাকসিগী ওইনা কয়া মাঙজরবনো। হন্দক্কী ১৮-শুবা লোক সভাগী মীখলদা মণিপুরগী ইন্নর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা ইম্ফাল ময়োলদা থোকখিবা পামদবা থৌদোকশিং মণিপুরগী পুৱারীদা হামুক তৈশিন্দুনা মশক থীহনবনি। অমুকসু মীওইবসি অমগা অমগা মীমান্নদে আর্মদ ক্রেজি মেন খূৎলায় পায়বদা ঙাওজবা মীওই কয়া ঐখোয়গী ইরক্তা লৈরি। মখোয়সি চঙলু চঙলুবা মফমদা অদুমক ৱাথোক লাম্থোক থোকহনবা মীওইশিংনি।

নার্কো কুকি জৌ টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা নমদুনা লান্দাদুনা থোকহনবা লান লোইদ্রি। লোইদা লোইদনা সুম হৌখিদুনা চহী অমা ফাজিল্লক্লে। মতাংসিদা য়েংবা য়ারিবদি অসুক শাংলবা মতমসিদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা করিগীদমক্তা লান অসিবু লোইশিন্দনা থম্লক্লিবনো হায়বসিনি। সেন্টরদসু বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক, মণিপুর ষ্টেটতসু বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক মখোয়না পোঙনা হায়জবা ‘দবল ইঞ্জিন’ দবল ইঞ্জিন্না চিংবদা মণিপুরদি পুমলোই লোইরে। মীওই ২০০ হেন্না শিখ্রবা, মীওই ৩০ হেন্না থিফম খঙখিদ্রবা, মীওই লিশীং ৬০ হেন্না ময়ূম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরবা অসুক কুইনা তংদু লৈতাদনা লৈরক্লিবনি। মপান্দগী আইন কায়না চঙলকপা কুকি ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টনা ইরমদমসিদা তৌনীং তৌনীংবতা তৌদুনা আইন মখূৎতা পায়দুনা শান্নবদা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা করিসু তৌবা ঙমদনা লাক্লি। মসিদবু করি আশানো মীতৈ মীচম মীয়াম্না দবল ইঞ্জিনগী লৈঙাকসিদগী তৌগদৌরিবসে।

নার্কো কুকি জো টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনবা লান্না শোকহল্লবা মীতৈ মীয়ামগী অৱাবদা মীতৈ পূন্নমক শরুক য়াদুনা লাক্লি। অৱাবা পূন্নমক খাঙমিন্নদুনা লাকখিবদু মীখল ময়া য়ৌশিল্লকপদা মচোই মচোই তানখিবগুম উনখি। মীওই কয়ামদি মাগী মফূরুপকী মীওই কয়ামা অৱাবা খাঙলি হায়বা ফাওবা কাউনখি। অঙকপনি। অঙকপা শক্তম কয়ানি ঐখোয়না লমদমসিদা উরিবসি। মীওই খরদি ইলেক্সন্দা শেল লৌবা ফংবা অসি মখোয়গী রাইট ওইনা খনবসু য়াওরি। মসি শেলয়াম থাদবা মীখল মায় পাক্তবা য়াদে, মীচম মীয়াম শেল পীদুনা লৈগনি হায়বগী ৱাখল কাঙলোন হৌদোক্লম্বা পোলিটিকেল পার্টিশিংদুনা মীচম মীয়ামদা তম্বীরম্বা খুদোলনি। শেল য়েল্লক্কদবা, ফংগদবগী ৱাখলদুদা উংদুনা লৈখিবদগী লৈবাক্কী ওইবা ইস্যুশিং নাথৈনখি। ঐখোয় মীতৈ ফূরুপ অসি মৈথক্তা হিংলিবনি। ইরমদমসিদা মীতোপ্না লান্দাশিল্লক্তুনা লাঞ্জেন্নরিবনি হায়বসি ফাওবা কাউথোকপা ঙম্মী। অমুক্তা নীংশিংসিনে ইনক নক্না অৱাংলোমদা অৱাং সেকমাইদগী হেন্না নেসনল হায়ৱেসিদা লানবা ঙমদবসিবো করম্বা পূন্সি মহিংনো, মসিবু কয়াম কুইনা লৈখিগদৌরিবনো।

চহী অমা ফাজিল্লক্লবা নার্কো কুকি জৌ টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা লান্দাদুনা নমদুনা থোকহল্লিবা কাঙলূপকী লান অসি বি জে পিগী দবল ইঞ্জিন গভর্ণমেন্টনা লোইশিনগে হায়রবদি নহান্না লোইশিনবা য়ারবনি। হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা নার্কো কুকি জৌ টেররিষ্টশিংদা খুদোম্বী থিন্দুনা নোংমৈ কাপ্পবা লেপ্পবা হুকুম তৌখিবদা অদুমক লেপচখিগদবনি। বি জে পিগী দবল ইঞ্জিননা অমুক হন্না শাংথনা লৈঙাক চূক্লি পায়খিবদা অদুমক লান শাংথখিদুনা করম্বা মতমদা লান লোইশিনগনি খঙদনা লৈখিবা হায়বসিদি মশানা তারবা ৱাফম্নি। করিনা হায়ববু চহী অমগী ময়াসি লান লোইশিন্দনা অদুমক লাকখিবসিনা হায়বা তাবনি। মতাংসিদা মীচম মীয়াম্না মীয়ামগী মীহুৎ কয়া য়াম্না চুম্না খল্লিবগে হায়বদুগী ৱাফম লাক্লিবনি। অদুবু অৱাবনি মীতৈ খুন্নাই, মীতৈ মীয়ামগী অমত্তা ওইবা লুচিংবা অমা খনবগী মথৌ পাঙথোকপা ঙমদে। অমনা হায়বা ৱা অমনা তাদে। মীতৈ খুন্নাইদা লৈরিবসি ‘ৱাইখু কলচর’ নি। খজিক্তং মচিন তুমখৎলকপা মীওই অমা মীতৈশিংগী মরক্তা য়াওরকপদা মহাকপু শৌগৎপীবগী মহুত্তা চিংথবীবা, য়ৈথৎপীবা মীতৈ খুন্নাইগী চৎনবী ওইদুনা লাক্লি। অফবা মীদা ফৈ, নঙনা লৈবাক মীয়ামগীদমক্তা তৌবীরিবসি য়াম্না পেঞ্জে হায়না হায়নীংদবা, মীবু শীংথানদবা কাঙলূপনি হায়বদা থোইনা লাল্লোই। মীতৈ খুন্নাই য়াম্না ৱাখিগনি, লৈবাক্কী লুচিংবা চঙ চঙ লাউবা মীহুৎ ফাওবা খনবা হৈত্রি। মাঙদা তাদুনা লৈরিবা মণি মুক্তা য়েংদমক য়েংই খুনগৎকেদি খন্দে। অরেম্বা শেল পাম্বা, ৱাদনা নুংঙাইনীংবা, মশাগী ঈজৎ য়াওদবা মীওই কয়া খুন্নাইসিদা লৈরি।

নার্কো কুকি জৌ টেররিষ্টশিংনা মখোয়গী জালেঙমগী মঙলান্দা মণিপুর থুগাইনবা হোৎনবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অদুমক চগৌ য়েংদুনা লৈরবসু বাংলাদেশতা অমদি ম্যান্মারদদি মখোয়বু লৈবাক্তুগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা তকখাইরক্লি। মসিদনি সুপর পৱারগী লমজেলদা য়াওরিবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা করি করম্বা ইন্টরেষ্টতা কুকিশিংদা শৌগৎলিবনো হায়বগী ৱাফম লাক্লিবসি। য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা ক্রক লাউনা লাকশিন্দ্রবনিনা মখোয়না তৌনীং তৌনীংবতা তৌদুনা লৈরে। শোমদনা ষ্টেট লৈঙাক্লা নার্কো কুকি জৌ মিলিটেন্টশিংগী মায়কৈদগী নোংমৈ, বোম কাপ্পা নুমিৎ খরনিবু লেপ্পবদি শান্তি হঞ্জিল্লক্লে, শান্তি হঞ্জিল্লক্লে হায়দুনতা লৈরি। শান্তি পুরক্লবগী লম্বীসু অমত্তা পাঙথোক্তনা করম্না শান্তি লাক্কদৌরিবনো। নার্কো কুকি জৌ মিলিটেন্টশিংনা মতা ফবা চীংমাইদগী নোংমৈ, বোম মীতৈশিংগী লোইজিং-লোইয়াদা লৈবা য়ূমশিংদা ঙাইহাক ঙাইহাক কান্নদুনা তূমিন লৈরিবদুদি ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা মখোয়গী হোমলেন্দ শাগৎপগী ক্লাস তৌরম্বসু য়াই। নহাশিংদা নোংমৈ কাপ্পা তম্বীরম্বসু য়াই। মীতৈশিংগী ফীভম মীৎকুপ নাহুম শীংনা য়েংলম্বসু য়াই, অরোনবা কয়া লৈরমগনি। অদুননি হন্দক নুমিৎ ২৫নিমুক্কী মতুংদা খঙহৌদনা অমুক লান কাপ্পা হৌরক্লিবদু। ইশম শম্না লান লোইদ্রি। নার্কো কুকি জৌ টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা লান্দাদুনা নমদুনা থোকহনবা লান লোইদ্রি। মীতৈ কয়ামা লানগী চৈথেং ফংলি, নুংঙাইরবা ময়ূমদা মহৌশাগুম হঞ্জিনবা ফংদ্রি। শূফম নোম্ফম খঙদ্রি। লানসিনা পীরকপা অৱাবা চৈথেংসু লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফূরুপ খুদিংমক্লা নাকোইননা ফংলি। লমদমসিদা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংগী মমল অতিয়া পক্লা ৱাংবা হায়বদু ওইরবনি। ঙাইহাক লৈতনা মণিপুরগী হায়ৱেশিংদা তৌরিবা অওৎ-অনৈ, গাড়ীদা নোংমৈ কাপশিনবা, ড্রাইভরশিংগী মরাইবক তম্বা ঙমহন্দ্রিবা মসিগুম্বা থৌদোকসিবু মালেমগী করম্বা মফমদা থোক্লমগদগে খল্লুবদা মম্মী। ঐখোয়না হিংলিবা পূন্সি মহিংসিদি হিষ্ট্রিগী ময়ায় থংবা পেরিএদতা হিংবা পূন্সি মহিংদুনি মোর্দন পেরিএদ য়ৌদ্রি। মসি পূন্নমকসি কনানা থোকহনবনো কুকি জৌ হায়বা ময়ূম মকৈ লৈতবা মশাগী হোমলেন্দ লৈতবা কাঙবুসিনা থোকহনবনি। অদুগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কুম্ফে য়েংদুনা লৈবনি।

লোইশিল্লকপদা ইরমদম মণিপুরসিদা য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈশিং ৱারকপা কুইরে। নার্কো কুকি জৌ মিলিটেন্টশিংনা নমদুনা থোকহনবা লানসিগী অৱা চৈথেং করম্বা মতমদা কোকহনবা ঙমগনি, কনানসু হায়বা ঙমদ্রি। ১৮-শুবা লোক সভাগী মীখল মতুংদা অনৌবা য়ুনিয়ন লৈঙাক অমদি লাক্লনি। অদুগুম্বা য়ুনিয়ন লৈঙাক অদুনা মণিপুরগী ইস্যু অসি য়াম্না লূম্না লৌবীদুনা লমদমসিদা তংদু লৈতাবা পূন্সি মরেল অমা পুরকপা ওইরসনু হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# ‘কংলৈপাক্কী শন্নপ্পা পূন্সি ৱারী’ - (১)

**- ফৌগৈশংবম ওংবী ইবেমলৈ -**
হোজাই (আসাম)

খুরুমজরি কংলৈপাক, খোয়ুম লাইয়াম পূন্নমক্না থৌজালবীবা ওইরসনু। কংলৈপাক্কী পূন্সি ৱারী য়েক্লুবদি করিসু লৈত্রবী ঐহাক্না মতিক চাবদি নৎচদে। অদুবু মমাগী পূন্সি ৱারীদি মচাশিংনা খঙফম থোকই হায়না খঞ্জে। পুৱারী অমদি পূন্সি ৱারী হায়বসি শেমজিন শাজিন্দুনা হেন্না হায়রুবা য়াবা নত্তে, অৱাৎপদি ওইহৌবা য়াই। অদুগা পুৱারীসিনদি অহিংবা মীগী মশক তাকপা ঙমদে। অসুম্না কংলৈ ইমাগী পূন্সি ৱারীদা অশোয়বা, অরানবা কয়া য়াওরবসু ঙাকপী হৈরবা কংলৈপাক্কী ইচিল ইনাও অমদি ওজাশিংনা ঙাকপীগনি হায়না নীংজে। লোয়ননা অচুম অরান তাকপী তম্বীরকপদা পূক্নিং চিংশিঞ্জরি। য়াম্না খঙ-হৈনা ইজবদি নৎচদে। থোক্লিবা ৱাথোক লাম্থোক্কী ঈরাং অসিদা পেন্দবনা মরম ওইরগা কংলৈ ইমাগী পূন্সি খোঙচৎতা অশেংবা খঙননবা য়েকচবনি।

মরম অদুনা মীৎয়েং তামিন্নরসি, কুমজা ১৮১৯দা নোর্থ ইষ্টকী নিংথৌ অমদা উনবা লাকখিবা বৃটিশকী তেঙ্গোল অমা ইম্ফালদা থুংলখি। নিংথৌগী লুচিংবা মনাইশিংনা কংলা তম্না পুরকখি। অদুগা কংলা ফোর্টকী ওই য়েৎতা কংলা শাগী মিতম অনীখক লৈবা উবদা বৃটিশশিংনা অঙকপা অমা ওইখি। অদুগা নিংথৌবু উনরগা থোরকপদা বৃটিশ লান্মীগী মরক্তগী ওফিসর খরা ফাদুনা কংলাশাগী মখাদা হাৎখি। অদুনা ৱাফম অসি তাবদা বৃটিশনা অশাউবগী ঙমখৈ লোইখিদে। অসিনা মরম ওইরগা বৃটিশনা কংলৈপাক্কী মায়কৈ অহুমদগী লান্দাদুনা নিংথৌবু ফাজিন্দুনা থমখিবগা লোয়ননা মন্ত্রিবুসু হাৎতুনা লমন খুমখি। অসিদসু নত্তনা কংলৈপাক্কী খুভম ওইরিবা কংলাশাগী মীতম অনীবুসু দাইনামাইটনা থুগাইরগা চহী মঙাদা শুরিবা অঙাং অমদা নিংথৌ হাপ্পগা কংলৈপাকপু বৃটিশনা খুদুম চন্দুনা থমখি।

মতাং অসিদগী হৌদুনা অনৌবা পূন্সিরোল অমদা হৌরকখিবা কংলৈপাক্কী পূন্সি ৱারীদি ঙসিনা মণিপুর হায়না খঙনরিবা মিংথোল অসি মহৌশা লাইরেম্বীগী নীংথিজরবা লোয়নাইদ্রবা খুদোলনি। মালেমসিদা অনীশুনা লৈতবা মীতৈ থৱায় ওইরিবা লোক্তাক পাৎনা কংলৈপাক্কী মিংশেলনি। কৌব্রুনা লেম্ফুনি, কংলানা খোয়দৌনি, সঙাই অমসুং উচেক লাংমৈদোংনা কংলৈপাক্কী মিৎলুনি, শিঙেল শিরোই লিলিনা কংলৈপাক্কী চন্দননি, ইরিল নম্বোল অনীনা কংলৈপাক্কী শিংলিনি। লোয়ননা মালেমদা তোমথিন ঙাল্লিবী কৈবুল লমজাও নেসনল পার্ক অসিনা চিংবা ফজবদা শীংথানরিবী লমদম অসিদা তাইবঙ কনাসু খোঙদারমদ্রি। অদুবু পুৱারীগী মতুংইন্নদি ৩৩ এ দি হায়বদি যিশুনা চৎখিবগী তুংদা তির্ব্বট অমদি ম্যান্মারদগী ফেমিলি খরা লাক্তুনা ইম্ফালদা থুংলখি। মখোয়দুদি মীতৈনি হায়না থেংনজৈ। লোয়ননা চহী খরগী তুংদা চাইনিজ খরসু লাক্তুনা মণিপুরগী চীংদা লৈরখি। মখোয়শিংদুনা নাগানি হায়না থেংনজৈ। অসুম্না চহী কয়া হৌখিবগী তুংদসু কুকিশিং লাক্লমদ্রি। মখোয়না চহী চা কয়াগী তুংদা লাক্লগা খাবৈ খারা শাদুনা ইঙ্খোল মপু ওইনবা হোৎনরক্লি। কাশ্মীর, পঞ্জাব, রাজস্থান অমদি গুজরাটকুম্না মণিপুরসু ইন্দিয়াগী শীংথানীংঙাই মরু ওইবা ষ্টেটনি। ইন্দিয়ানা ঙসি অৱাংবা ফিরাল থেৎতুনা চাউথোক্লা হিংজরিবসু কংলৈপাক্কী থৌদাং চাউনা লৈ। অদুবু কংলৈপাক্লা অৱাবা তারবদা ইন্দিয়ানা থৌশারুবা লৈতনা তূমিন্না লৈবগী মরমসু লোৎতুনা লৈবগুম তৌই। পীক্লবা মণিপুরনা ইন্দিয়াবু করম্না কনখিবনো হায়বা মালেমগী পুৱারীদা ময়েক লানা লেঙদনা লৈরি। অসিগীসু মথক্তা কংলৈপাক মশামক চাইনিজ, জপানিজ অমদি বর্ম্মিজদগী কয়ারক হন্না কঞ্জখি। অদুবু পেন্দবা অমনা হায়রিবা ৱাফমশিং অসি কনানসু নীংশিংলুবা লৈতে। লোয়ননা করি মরমগীনো কংলৈপাক মালেমদা খোঙদারকপদগী হৌনা ঈরাং অমদি অৱাবা তোয়না মায়োক্লদুনতা লৈরিবসি? ৱাহং অসিগী পাউখুমসু পুৱারীদা লোৎতুনা ফোংঙমদনা লৈরি।

সলাই তরেৎকী তুংনফম অমদি ফূরুপ কয়াগী ইতিনফম ওইরিবা কংলৈপাক্কী পূন্সি খোঙচৎতা করম্বা ইরাল লংজখিবনা পোল্লকপদগী হৌনা ঙসি ফাওবা অৱাবতা লাম্থেংনরি। শজিনা মশাগী শানা য়েক্লবা ওই হায়নবগুম্না কংলৈপাকসু অদু মঙাই। কংলৈপাক মতারোইশিংনা কল্লক মিহৌ চাউবীনি। অদুগা কংলৈপাক করম্না মণিপুর ওইখিবনো হায়বা কংলৈপাক্কী পুৱারীগী লমায়দা মীৎয়েং তামিন্নসি।

১২শুবা শতাব্দিদা খৎন-চৈনবা ঈরাং কয়াগী মরক্তা নিংথৌ মচা নোংদা লাইরেন পাখংবনা কংলৈপাকপু খুদুম চন্দুনা অনৌবা লৈবাক অমা শেমদুনা পাল্লম্মী। মতমদুদা মহাক মশামক মীতৈ ওইবনা মীতৈগী সনামহী লাইনীং লিংখৎলম্মী। লাইনীং লাইশোল খুদিংমক হিন্দু ধর্ম্মগা মান্নৈ হায়না থেংনজৈ। অদুগা লোয়ননা মশাগী ওইবা কংলাশাসু লাইনীং ওইনা লৈরম্মী। ৱাফম অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরবু কংলৈপাক হায়না থোনখি। লোয়ননা কোন্নুংসু কংলা হায়না খঙনখি। মীতৈ লৈবাক্কী মরু ওইবা লনদি চৈথারোল কুম্বাবা হায়বা পুয়া অমা লৈ। পুয়াসিগী মতুংইন্নদি চহী লিশীং ৩৫দগী হেন্না লীরবা ৱারীনি।

পুৱারীগী মতুংইন্নদি ১২শুবা শতাব্দিদগী অশেংবা খঙবা ঙম্মী মদুদি ৭শুবা শতাব্দিদা ইসলামনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখি। অদুগা ২২শুবা শতাব্দিদনা ইহুদি ফূরুপ অমা পার্চিয়া থাদোক্তুনা চেনবা তাখি। হায়রিবা ফূরুপ অসি কুকিনি। মখোয়গী অরেপ্পা মফমদি অসিনি হায়বা কনানসু খঙবা ঙমদে, অদুগা মখোয়না অহানবা আফগানিষ্টান্দা পন্দুনা লৈখি, মদুদা খৎন-চৈনবনা মরম ওইরগা চিনদা চৎপা তাখি। চিননসু মখোয়বু লৈবা ঙমহনখিদে। মদুদগী লাক্তুনা ম্যান্মারদা লৈখি। অসুম্না ১৩শুবা শতাব্দিদা মণিপুরদা মীতৈ, চীংদনা নাগা অদুগা ম্যান্মারদনা কুকিনা লৈরম্মী। ম্যান্মারবু বর্ম্মা হায়না খঙনৈ অদুগা মফমদুদা লৈবা মীওইশিংনা বর্ম্মিজ হায়না খঙনৈ। নাগা, বর্ম্মিজ অমসুং চাইনিজনা মণিপুরদা লান্দারকখি। অদুবু মণিপুরগী নিংথৌনা মতম খুদিংমক্তা ঙাকথোক্তুনতা লাকখি। ১৭শুবা শতাব্দিদগী কংলৈপাক্তা মহারাজ খাগেম্বনা নিংথৌ ওইদুনা পানখি। হায়নবা লৈ খাগেম্বা নিংথৌ খুকন পাংগনবতা নত্তনা থৌনা লিংজেল লৈবা, লৌশিং চাউবা নিংথৌনি হায়না। মহাক্লা মতম খুদিংমক্তা মরৈবাকপু ঙাক শেন্দুনা লৈবতা নত্তনা মহাক্কী লান্মীশিংবুসু শেম শাদুনা মীকুপ-নাহুম শিংনা থৌনা হাপ্পীদুনা লৈখি।

পুৱারীনা হায়, ঙল্লিঙৈ মতমদা লৈবাক অমনা লৈবাক অমবু মুনদুনা খুদুম চন্নবগী চৎনবী অমা লৈরম্মী। অদুনা কুমজা ১৬৩১দা চিনগী নিংথৌ চোংশেন্না ব্রহ্মাদা লান্দাখি, মথংদা মণিপুরদা লান্দারকখি। অদুবু খাগেম্বা নিংথৌ অমদি মহাক্কী লান্মীশিং মতম খুদিংমক্তা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈখিবনা অরাম্বাইগী খূৎলায়না লান্দাখিবদা চিনগী লান্মীশিং লানফম থাদোক্তুনা চেনখি। লোয়ননা চিনগী লান্মী খরসু ফাদুনা থমখি। অসুম্না লান্দা ঙমখিবগী হরাও নুংঙাই ফোঙদোকপা ওইনা কংলাদা অচৌবা কংলাশাগী মীতম অনীখক খিনখি। অদুগা লান্দা চৎলমদাইদা কংলাশাগী মিতমদুদা খুরুম্লগা চৎখি। লৈবাক মীয়াম্না খাগেম্বা নিংথৌবু য়াম্না পাম্নবা অমসুং নুংশিবা নিংথৌ ওইরম্মী। অদুবু মহাক্কী মনাওনুপা শেলুংবদি খাগেম্বা নিংথৌবু য়েংথিরম্মী। মরমদি শেলুংবা মশামক নিংথৌ ওইনীংলম্মী।

শেলুংবনা নিংথৌ ওইনীংবগী ৱাখল্লোন্দা বেঙ্গলগী নবাবতা মণিপুরদা লান্দারক্লবগী মেসেজ থারম্মী। শেলুংবগী মেসেজ ফংবদা খন্থরুবা লৈতনা বেঙ্গলগী নবাবনা মণিপুরদা লান্দাদুনা অরানবা খোঙজং চত্থখি। অদুবু খাগেম্বগী হৈশিংবা খুকন পাঙ্গনবা হেনখিবনা লান্দা ঙমদদুনা চেনখিরম্মী। অদুগা খাগেম্বগী লান্মীশিংনা বেঙ্গলগী লান্মী খরা ফাদুনা থবক শীজিন্নদুনা থমখি। লান্মীশিং অদু মুসলমান ঙাক্তনি। মতমদুদগী হৌনা মণিপুরদা মুসলমান চঙলকপা হৌখি অমসুং মীতৈগা লৌনা লৈনরকপদগী মীতৈ পাঙল হায়না খঙনখি। ●

# কৌনাকগদেশকী লমদমদুদা....

*...লমায় ৪গী মখা...*

ভোটর মতিক চাদবগী মীহুৎতি মতিক চারোই। ঐখোয়না শাউবা য়াদে মীহুৎশিংদুদা। ঐনা ঐনা থাবা মরূগী মহয় ফংগদৌবনি। তাওথবী থারগা ফৌরেল অমুবী হৌরকপা হৌনদে। মীখল মতমদা মৈফু পামগনু, চাকচা হৈজানবা য়াওবীগনু। অম্ব্রাপুরগী কোকচাওবী-কোকচাওবা, কোইজোম্বা, নাতোনজাও লাক্কনি হায়দুনা লুপা ৫০০/৫০০ পীদুনা খোল্লগা মীটিং য়াওবীরুনু। তুপী উপ্পীরুনু। লেংয়ান লৌবীরুনু। মদুগী মহয়নি ঙসি নঙ-ঐনা থেংনরিবা অৱাবা, মীকপ মীরাওখোল, লন-থুম কয়া মাঙলিবা, ফূরুপ অমগা অপূনবা শক্তম শাগৎমিন্নবগী মহুত্তা শানা-ঙানা তৌরোইদৌবা থবক কয়া তৌরক্লিবা। য়েৎতা চোঙলে য়েৎতা কক, ওইদা চোঙলে ওইদা কক, তুংদা হল্লে তুংদা থিং, মাঙদা চৎলে মাঙদা থৎলিবা পূন্নমক মীখল মীহুৎ খল্লমদাইদা চবান চাবগী মহয়নি। চবান চাবীগনু, মীখল মতমদা হুমাংমলগী শেলদি লুপা ৫০০ ফংবনা চেঙ ৱানবা, এঞ্জাং-নাপি লৈরগা লেমহৌবদু ঙসিনা লোইবা নত্তে হায়দুনা হয়েংগীদমক ইচা চরা হেনগনি হায়দুনা চাগা য়েংনা চাদিং তৌবনি।

হুমাংগী মমল নত্তবা কোকচাওবা, কোকচাওবী, কোইজোম্বা, নাতোনজাও, মিৎলাওবা, মিৎলাওবী কয়া অম্ব্রাপুরদগী লাক্কনি হায়দুনা শরুক য়াহনবগী লুপা ৫০০দু খুদক্তা স্বাই মাঙখিনি। মসিদা নত্তনা মীখল মতমগী য়েনবা নৎত্রগা লৌরুবা লুপা লিশীং ৫/১০দুবু হৌজিক লৈরিবরো, চহীদি অহুম ৱাৎলি। মখা তানা পীরক্লিবরা নৎত্রগনা নীরুবদা পীরকপরা? পৃথিবীগী মফম পূন্নমক্কী লৈবাক পূন্নমক নৎত্রবসু মশীং য়াম্না ৱাংনা মীয়াম্না খঞ্জবা মীহুৎনা লৈবাক ঙাকপনা হেল্লবনি। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্কী মীহুৎনা মাগী মাগী লমদম অদুগী অৱাবা থৌদোক ৱাথোক, মৈহৌ লাংপোক, ঈশিং ঈচাও, নোং নুংশিৎ নংবা পূন্নমক্কী ৱাফমদু তমদুনা/লীদুনা লৈঙাক অদুগী লৈঙাক মপু অদুদা লৌখৎপা য়াবা, পায়খৎপা য়াবা খুদিংমক পায়খৎনবা ঙাঙবা ঙম্বা মীহুৎ খনজনবা মতম হেক হেক লাকপা খুদিংগী মীয়ামদা চবান চাবনা মশীং য়াম্বসি অফবা নত্তে।

চবান চারিমখৈ অফবা, মতিং মথৌনা লৈবা মীহুৎনা লৈবাক ঙাকপা, লৈঙাক লীংবা ঙম্লোই। নচা নশুগী বেসিক স্কুল লৈঙাক্কী নোংমা নোংমগী মমি শামখিনি। ঐনা নঙনা লুপা লিশীং ৫/১০ লৌবদুনা ইচা ইশু বেসিক স্কুল থাবদনা থাদা লুপা লিশীং ৫দগী তাদনা চঙগনি। চহীদা লুপা লিশীং ৬০নি। চহী মঙাদনা লুপা লাখ ৩নি। নোংমা নোংমগী লায়রবা কনাগী মচানা তম্নবা এল পি, এম ঈ স্কুল করম করম্বা এ সীদা লৈরিবগে। ওজা মতিক চাবা খল্লগা ওজাগী শিনফম শিন্নৌ মদুদা এল পিদা এম ঈদা মহৈরোয় লাক্তবরা য়েংসি। লৌজনাম ওইজনাম খরা ফংলগা লৈবাক ঙাক্লবা মশানা মশাবু মশক খঙজদবা কয়াগী মতুং ইনবগী থবক থাদোক্লসি। থাসি ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টকী ফ্লোরদা। লাওহনসি/হায়হনসি ঐখোয়গী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই, মীহাৎ মীপূন তৌবা য়ারোই, মীশি মীনা থোকহনবা য়ারোই, লন থুম মাঙহনবা য়ারোই হায়নবা ইমাশিংগী মরক্তগী কৈথেল শঙ অহুমগী ইমাশিংগী লক্তগী মতিক মথৌনা লৈবী মীহুৎ থাবা মতম ওইরে।

অদুঙৈ উখ্রুলগী রোজগী থৌদোক্তা নাগালেন্দদগী মীহুৎ ওইখিবী রাইনো সাইজানা লৌখিবা থৌদাং নুপীনা নুপীগী অৱাবা, নুংঙাইবা থেংনবা পূন্নমক খঙই। মসিদা নত্তনা মদুগী ১৯৭১/৭২ শম্নবা থৌদোক ওইবনা অহল ইবুংঙো অলিম্মুদ্দিননা চীফ মিনিষ্টর ওইরবা মতমদা রোজগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীদু ফারুচো হায়বদা সেন্ট্রেল ফোর্সনি ফাবা ঙমদে হায়না মতমদু দি জি পি লৈত্রি আই জি পিনা পুলিসকী মকোক ওইরি। আই জি পিগী ৱাদু তাবদা অলিম্মুদ্দিনগী থম্মোয়না পেন্দবনা থল্লবদা তৌখিবা থবক অদু ঙসিসু কাউদ্রি।

হিজম লিম্থোংঙম্বী চনুগী মীওৎ-মীনৈ নুপী ওইবীশিংনা খঙগনি। মাবু কায়নবগী মৈচাকসু মমা ওইবীশিংতনা খঙগনি। মপুরোইবা কায়নবদা মপুরোইবা লৈতবা মশেল ৱারী শামিন্নৈ। মচা কায়নরবা মশেল মমা ওইবীশিং ৱারী শান্নমিন্নৈ হায়বদুনি। লিম্থোইঙম্বীগী ৱাকৎ পুদুনা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টকী ফ্লোরদা টেবল তৌবা ঙম্বী লমদমসিগী ইমাশিংগী লুচিংবীরিবী কয়াগী মরক্তগী মতম ওইরে চহী ৭২ চূপ্পা পাঙথোরকপা ইন্দিয়াগী মীখলদা লমদম অসিগী নুপী ওইবীশিংগী মরক্তগী তম্পাক লমদমগী ওইনা লৈহৌমী নুপীনা ঙসি ফাওবা শরুক য়াবা লৈত্রি, মীহুৎ থাবা ঙমদ্রি।

হৌখিবা কয়া হৌখ্রসনু পূন্নমক কাউথোক্লগা কৈথেলদা পূন্সি শিনফম মায়োক্নরিবী ইমাশিংগী লক্তগী শরুক য়াদুনতা লৈবাক্কী থৌদোক ৱাথোক খুদিংদা মায়রোং য়ারকপা ঐখোয় পূন্নমক্না খঙই। ঐখোয় পূন্নমক উরি কৈথেলশঙ অহুমগী মীওই লিশীং ৫/৬না লুচিংবীরগা কনানো কনাবু থারগা নুপী ওইবী কয়াগী পূন্সি মহিং, থেংনরিবা থৌদোক ৱাথোক, থোকহন্নীংদবা কয়া থোক্লিবা, তৌহন্নীংদবা কয়া তৌরিবা, মীহাৎ মীপূন, মীশি মীনা, লন-থুম কয়া মাঙহন তাকহনবীরিবা, মীওইবা খুন্নাই মুৎনবা ড্রগ কয়াগী গোদাউন ওইশিল্লক্লিবা পূন্নমক থোকহন্দনবা ইন্দিয়াগী লৈঙাক মপুশিংদা পাউদম্বা ঙম্বী পুথোকপা মতম ওইরে। ইমাগীদি ইবুংঙো সাহেবকীদি পুজারিগী মতম নৎত্রে। জপান লানগী মীশি মীনা, মীওৎ মীনৈ ঐখোয়বু ফাদে-পুন্দে, খোঙ খূৎ ফাজিনদে। ঙসিদি নমাংসু লাং নতুংসু তেন, চীংলৈবাক্কী ঙায়োক চফু অসিদা ঐখোয় কয়াম কুইনা খাঙখো হায়বনো হায়না হংবা ঙম্বী মথৌ তারক্লে।

কৌনাকগদেশ অপীকপা নিংথৌ পানবা লৈবাক, মথংদা বৃটিশকী লোইলম অমুক, নীংতম্বা লৈবাক অমুক, অচৌবা উজাউদা পুল্লুবা য়োৎপী তাওবগী মহুত্তা নোংমা নোংমগী লুপশিল্লক্তুনা শন্দ্রেম্বী ইমা খুয়া শারে, খুজেং য়ৌরে, খূকউ য়ৌরে, ফৈগল য়ৌরে, থবাক য়ৌরে, ঙকশম য়ৌরে ওইরবা কৌনাকগদেশ কন্নবা হোৎনবদা বোম, টোপ নত্তনা ৱাখল তানা ৱারোইশিন পুরকপদু ঙম্নবা ইমাশিংগী অশেংবা থম্মোয়গী য়াৱানি। ● -রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৮

১) **“রাজা ভোজ অমসুং কালিদাসকী ৱারী”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

২) **“য়েকখ্রবা ময়ি”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৩) **“ঐগী ঈশৈ নঙগী শুর”** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) **“ফিদম”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং করি কৌবগে?

৫) **“তাবুনুংগী লীক্লু পরেং”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।